# ৪৫শুবা অমেরিকান প্রসিদেন্ট খন্নবগী ভোট থাদনখ্রে





ৱাশিংটন, নভেম্বর ০৮ : অমেরিকানা ৪৫শুবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট খন্নবা মীখলদা ভোট থাদনবা হৌখিবগা লোয়ননা দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং হিলারি ক্লিন্টননা হ্বাইট হাউস পায়নবা হোৎনবগী লমজেল ভোট থাদগদবা নুমিৎ নকশিল্লক্ল-ফাওবদা অমগা অমগা নকশিন্ননা চেনখি হায়রি।

হিলারি ক্লিন্টননা লন্নাই ই-মেল সার্ভর অমা শিজিন্নরম্বগী মতাংদা পায়খৎখিবা ইনভেষ্টিগেসনশিং অদু হৌজিক লোইশিনখ্রে, অদুবু দেমোক্রেট কেন্দিদেট অসিগী মায়োক্তা চার্জ অমত্তা তৌবা লৈখিদ্রে। তৌইগুম্বসুং মমাঙগী চয়োলদা হিলারিগী ওইনা নুংঙাইতনিঙাই ওইরবা ৱাফম খরা সেক্সন খরদগী ফোঙদোক্লরকখিবনা মীখলগী অরোইবা চয়োলদা ত্রম্পকী মুমেন্টম ফগৎনবগী তাঞ্জা অমদি পীখ্রে। হিলারিনা প্রাইভেট সার্ভর অমা শিজিন্নখিবগী মতাংদা এফ বি আইনা হৌখিবা চয়োলদা নৌনা ইনভেষ্টিগেসন হৌনবা হোৎনখিবনা ভোটকী মাঙওইননা দোনাল্ড ত্রম্পতা হান্না থাজনরুদবা মওং অমদা অচৌবা ইনোৎ অমা হাপখি।

হ্যুমা অবেদিন কৌবা হিলারি ক্লিন্টনগী মকোক থোংবা তেংবাঙলোয় অমগী নৌনা থেংনরকখিবা ই-মেলশিংগী মরমদা থিজিন্নবগী ৱারেন্ট অমা এফ বি আইনা ফংখি। ই-মেল খরদি ক্লিন্টননা শিজিন্নরমখি হায়বসিদা মরী লৈনবশিংনা মিৎয়েং চঙনখি।

ফীভম অসিদা হিলারি ক্লিন্টনগী মীখলগী কেম্প্যেন অদুমরাল শীবা ৱাফম কয়ানা মহাক্কী মথক্তা নল্লগা লোই-শিনগদৌরি হায়না ওবজার্ভরশিংনা থাজনখি। তৌইগুম্বসুং হিলারিগী ফীভম পার্সেন্টেজ পোইন্ট খরখক্কী মনুং চন্না হাইরগা লৈরুরবা মতুংদা মহাক্না মীখল অসিদা মাঙজিল থানা চৎলি হায়বসি পোলিংগী ফিগরশিংনা উৎখ্রে।

অদুম ওইনমক নিংথৌকাবা নুমিৎতা এফ বি আইনা ক্রিমিনেল ওইবা অরান-অহুই অমত্তা হিলারি ক্লিন্টননা তৌরম্বা লৈতে হায়না শেংদোকখিবগা লোয়ননা দেমোক্রেট অসিদা অনৌবা নুংঙাইবা ৱাখল অমগী ময়োল চোংলকখি। হৌজিক্তি মীয়ামগী চিংনবা কোকখ্রবা মতুংদা পোলিং বুঠশিংদা মহাকপু শৌগৎতুনা ভোট থাদবা ভোটরশিংগী মশিং হেনগৎলগনি হায়না হিলারিনা শোয়দনা খল্লমগনি হায়রি।

টেলিগ্রাফনা কন্দক্ট তৌখিবা পোলশিংগী অরোইবা পোলদা ক্লিন্টননা লেপ্পুনা মাঙজিল থানা চৎলি হায়বা উৎখ্রে। টেলিগ্রাফকী ফাইনেল পোল অদুদা রিয়েল ক্লিয়র পোলিক্টিক্সতা ফোঙখিবা মমাঙগী পোল মঙাগী এভরেজ লৌখি।

প্রসিদেন্সিয়ল কেম্প্যেন অদুদা মতম অমদা রিপব্লিকান আউটসাইদর অমা ওইরম্বা দোনাল্ড ত্রম্পনা ক্লিন্টনগা মহাক্না লৈনরিবা গেপ ইকোম কোম্না মেনশিনবা উখি। তৌইগুম্বসুং মশামক্কী ৱাথোক পরিং অমা ফোঙদোক্লরকখিবা অমসুং মহাক্কী লোইনবীগী মমাঙঙৈগী ৱারী কয়ানা মঙোন্দা খুরৌ চাউনা থাংখি।

ত্রম্পনা মমাঙদা থেংখাং খরদা অতেনবা মতমগী ওইনা হিলারিদগী মাঙজিল থানা চৎপা উবা ফংখি। মদু মে ১৯ দগী হৌখি। সেপ্টেম্বর থাদা মহাক্কী পোলিংনা ক্লিন্টনবু ইরায় লায়না মায়থীবা পীবা য়াবগী অকিবা ফাওবা পোকহনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মায়োক্তা নুপী কয়াদা সেক্সুএল এসোল্ট কয়া চথখিবগী মরাল শীবা ৱাফম পরিং নাইনা লাকখিবদগী সেপ্টেম্বরগী মতুংদা মহাক্কী ফীভম খংশোক শোকচিল্লকখি।

মীয়াম্না ত্রম্পকী অশোয়বা ৱাঙাঙ কয়া উবা ফংখি অমসুং মহাক্কী কম্মেন্ট কয়ানা মরম ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা মীওই কাঙলুপ কয়ানা মহাকপু তাথিবা য়াবগী চান্স ৱাংনা লৈখি। নুপীশিংদা সেক্সুএল এসোল্ট চথবগা মরী লৈননা মহাক্না পীখিবা কম্মেন্টশিং লোয়ননা প্রসিদেন্সিয়ল দিবেটশিংদা পার্ফোর্মেন্স

# ৱিকিলিক্সকী ফাউন্দর জুলিয়ন অসাঞ্জ ৱাহং পাউহং তৌরগনি



ষ্টোকহোম, নভেম্বর ০৮ :

মতম শাংলক্লবা রেপকা মরী লৈনবা মরাল শীবা ৱাফমশিংগা মরী লৈননা মথং চয়োলদা জুলিয়ন অসাঞ্জ মশামক ৱাহং-পাউহং তৌরগনি হায়না স্বিদেনগী পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা নিংথৌ-কাবা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০১২ দগী মহাক্কী লৈফম ওইরকখিবা এম্বেসি অদুদা ইক্বেদরগী প্রোসিক্যুটর অমা ৱিকিলিক্সকী ফাউন্দর অদুগী মনাক্তা চৎকনি হায়রদুনা স্বেদিশ পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

ক্রিমিনেলগী ওইবা ৱাফমশিংদা লিগেলগী তেংবাঙ পীনবা স্বিদেননা হায়জরকপদা ইক্বেদরনা য়াখ্রে অমসুং হিয়ারিং অদু ইক্বেদরগী প্রোসিক্যুটর অমনা কন্দক্ট তৌরগনি হায়না পব্লিক প্রোসিক্যুটরগী ওফিসকী ৱারোল অমনা হায়খি।

স্বিদেনগী দেপ্যুটি পব্লিক প্রোসিক্যুটর ইনগ্রিদ ইমগ্রেন অমসুং স্বেদিশ পুলিস ইন্সপেক্তরসু নবেম্বর ১৪ দা ৱাহং-পাউহং চথবদুদা শরুক য়াগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। স্বিদেনদা কুমজা ২০১০ দা রেপ অমসুং সেক্স্যুঅল এসোল্টশিং চথখিবগী এলিগেসনশিংদগী মশা নান্থোক্লবা হোৎনরদুনা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়ন অসিনা কুমজা ২০১২ গী জুনদা লন্দনদা লৈবা ইক্বেদরগী এম্বেসিদা চঙজফম লৌখিবনি।

ৱিকিলিক্সনা অফঘানিষ্টান অমসুং ইরাক্কী লালশিংগী অরোনবা মিলিটরি ফাইন ৫০০,০০০ রিলিজ তৌখিবগা মরী লৈননা মহাকপু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থাবা য়াই হায়না চিংনবদগী অসাঞ্জনা স্বিদেনদা ৱাহং পাউহংগীদমক্তা চৎলু য়াখিদবনি।

# হিলারি ক্লিন্টননা য়ু এস প্রসিদেন্ট ইলেক্সনদা মায় পাক্লবদি বিল ক্লিন্টনদা করি হায়না কৌগনি



ৱাশিংটন, নভেম্বর ০৮ : হিলারি ক্লিন্টননা মীখলদা মায় পাক্তুনা অমেরিকাগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওফিস পায়রকপগী ৱাফম অমা লাকপদা পাউখুম লায়দবা ৱাহং অমা লাক্লে; নুপী প্রসিদেন্টকী নুপা (স্পাউজ) দা খ্বাইদগী ফজবা অমসুং চূনবা করম্বা মিঙ্গৌ পীগদগে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লিশাং শিংনা মমাঙঙৈদগী মখোয়গী লোইনবীশিং (নুপী স্পাউজশিং) লৈবা নুপা প্রসিদেন্টশিংদমক লৈরকখি। জেমস বুচনন হায়বা প্রসিদেন্টসিমদি পুন্সি চূপ্পা ময়ুম পান্দনা লৈখি।

বিল ক্লিন্টননা অখন্ননা মিঙ্গৌগী মতাংদা অরুবা ফীভম অমা উহল্লি। মহাক হিলারিনা প্রসিদেন্ট ওইরকপা মতমদা প্রসিদেন্ট অমগী অহানবা নুপা হায়বদু ওইবদা নত্তনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অমনা হ্বাইট হাউসতা প্রসিদেন্ট নুপী অমগী নুপা ওইনা লাকপা অহানবসু ওইগদৌরিবনি।

হান্নগী অরকান্সসকী গভর্ণর অসি কুমজা ১৯৯২ দা মীখলদা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইখি অমসুং অমুকসু কুমজা ১৯৯৬ তা মায় পাক্তুনা পুন্না টর্ম অনী হায়বদি চহী ৮ ওফিস পায়খি। ফম অসি পায়খিবা মীওই অমবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা প্রসিদেন্ট হায়বা ৱাহে অসি শিজিন্নদুনা কৌবা অসি মখোয়না ওফিস থাদোক্লবা মতুংদা ফাওবা চৎনৈ।

প্রেদিক্সন পীবা কাঙবুশিংনা হায়বা ৱাফমশিং চুম্বা তারবদি অমসুং হিলারিনা প্রসিদেন্সি ফংবা তারবদি মহাক্কী লোইনবীবু জন্যুৱারী থাদগী ওফিস পায়হনবা হৌখিবদগীদি বিল ক্লিন্টনদা মখা তানা প্রসিদেন্ট ক্লিন্টন হায়বা য়াররোই। করিগুম্বা হান্না চৎনরকপগী মওংদা মঙোন্দা প্রসিদেন্ট হায়রুবা তারবদি অচৌবা চমম্নবা অমা শোয়দনা পোকহনগনি হায়বসি চুম্লবা ৱাফমনি। লিজা গ্লোটস কৌবা সার্টিফাইদ ইটিকেট এক্সপার্ট অমনা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি নুপা স্পাউজ অমদা করম্বা মিঙ্গৌ শিজিন্নগদগে হায়বসি ষ্টেট লেভেলদদি দিল তৌখ্রে। মদুনা রোদমেপ অমা পীবসু য়াই পীদবসু য়াই।

‘য়ু এসতা নুপী গভর্ণর তরুক লৈ অমসুং মখোয়গী মপুরোইবশিংবু ওফিসল ওইদবা মওংদা ফর্ষ্ট জেন্টলমেন হায়না কৌনৈ। তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্সিয়ল স্পাউজশিংগী মতাংদা চৎনগদবা রুলশিং লৈতে হায়না মহাক্না হায়খি।

‘প্রসিদেন্ট অমুকপু ওইখ্রবদি মতম চূপ্পদা প্রসিদেন্ট ওইগনি অমসুং মদুনা মতম চূপ্পগী ওইনা মহাক্কী টাইটল ওইগনি’ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# বেলোচশিংনা লন্দনদা এন্টি-পাকিস্তান প্রোটেষ্টশিং পাঙথোকখ্রে




লন্দন, নভেম্বর ০৮ : দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী চাইনা পাকিস্তান ইকোনোমিক কোরিদোর শেমগৎ-শাগৎপগীদমক্তা লোইদা লৈরিবা বেলোচ লিদরশিং অমসুং এক্টিভিষ্টশিংনা পাকিস্তান অমসুং চাইনাগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট রেলি অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোটেষ্ট রেলি অদু ফ্রী বেলোচিষ্টান মুভমেন্ট (এফ বি এম) না ওর্গনাইজ তৌখি অমসুং লোইদা লৈরিবা বেলোচ লিদর হিরবিয়া মারিনা লুচিংখি।

মদু ফ্রী বেলোচিষ্টান মুভমেন্টনা লন্দনদা লৈরিবা চাইনিজ এম্বেসিগী মপানদা নুংতিগী চয়োল অমা চূপ্পা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবা অনীরকশুবনি। অহানবা প্রোটেষ্ট অদু ওক্টোবর থাদা পাঙথোকখি অমসুং চয়োল অমরোম চূপ্পা চথখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা লন্দনগী ষ্ট্রীটশিংদা এন্টি-পাকিস্তান স্লোগানশিং লাউখি অমসুং ইস্লামাবাদনা সি পি ঈ সি রুটতা লৈবা মরাল লৈজদবা বেলোচ মীয়ামগী মায়োক্তা ওৎ-নৈবগী থবক কয়া হেন্না কনশিন্না চথরে হায়না মরাল শীখি।

চাইনাবু হরাওহন্নবা বেলোচ য়ুম চা কয়া এটেক তৌখি অমসুং মৈ থাদুনা উৎ ওলহনখি লোয়ননা মরাল লৈজদ্রবা বেলোচ চা কয়াসু থিবা খঙহনখিদ্রে। বেলোচশিংনা বেলোচ লৈবাক্কী মায়োক্তা চথবা লৈবাক অসিবু এক্সপ্লোইট তৌনবা হোৎনবা চাইনা অমসুং পাকিস্তানগী থৌওংবু খোঙফম চেৎনা থেংননবা লেপ্লে হায়রি।

হৌখিবা ওগষ্টকী অরোইবা শরুক্তা জর্মনিগী লিপজিগতা বেলোচ এক্টিভিষ্টশিংনা বেলোচিষ্টানদা চথরিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিংগীদমক্তা পাকিস্টানগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি অমসুং লমদম অদুদা লৈরিবা বেলোচ মীয়ামগী অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবশিং খঙবীনবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদা তকশিনখি। প্রোটেষ্টরশিংনা এন্টি-পাকিস্তান স্লোগানশিং লাউরদুনা ‘ঐখোয় নিংতম্বা পামই’ অমসুং ফ্রী বেলোচিষ্টান জিন্দাবাদ হায়না লাউখি। প্রোটেষ্টর অমনা হায়খি ‘ঐখোয়গী প্রোটেষ্ট অসি বেলোচিষ্টানগী মীয়ামগী-দমক অমসুং পাকিস্টানদা পাকিস্টানি ষ্টেটনা চথরিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিংগী মায়োক্তনি।’ মহাক্না ইন্দিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু বেলো-চিষ্টানগী ইস্যু পুখৎপীবগীদমক্তা থাগৎখি।

# নিকারাগুৱাগী প্রসিদেন্ট দেনিয়ল ওর্টিগা থংন-থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা মীখলদা মায় পাকখ্রে



মনাগুৱা, নভেম্বর ০৮ :

নিকারাগুৱাগী লেফটিষ্ট প্রসিদেন্ট দেনিয়ল ওর্টেগা থংন-থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা ভাইস-প্রসিদেন্টকী কেন্দিদেট ওইরিবী মহাক্কী লোইনবীগা লোয়ননা মায় পাকখ্রে। তৌইগুম্বসুং ওপোজিসন অমসুং য়ু এসনা মীখল অদুবু কন্দেম তৌখ্রে।

বেলোট চাদা ৯৯.৮ মশিং থিবা লোইখিবগা লোয়ননা মশাগী চহী ৭০ শুরবা হান্নগী মার্ক্সিষ্ট রেবেল অদুনা অপুনবা ভোটকী চাদা ৭২.৫ ফংবা ঙমখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী সুপ্রিম ইলেক্টোরেল কাউন্সিলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা-রাইট-লীনিং লিবরেল কন্সটিট্যুস্নেলিষ্ট পার্টিগী মেক্সিমিনো রোদ্রিগিজনা ভোট চাদা ১৫ দমক ফংখি হায়রি।

হৌখিবা চহী ৩৭ কী মনুংদা চহী ২০ নিকারাগুৱাবু লৈঙাক্তুনা পাল্লকখিবা ওর্টেগাবু ওপোজিসনগী পৱার ককথনবা হোৎনবদা কোর্টশিং শিজিন্নখি হায়না মরাল শীখি।

ওপোজিসন্না মীখল অদুবু ফাগিগী লীলা অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এসনা ওপোজিসনগী ৱারোল অদুবু শৌগৎখ্রে অমসুং অশোয়বা লৈবা মীখলগী প্রোসেস অদুনা অচুম্বা ফজবা মীখল তাহনবা য়ারোই হায়খ্রে।

নিকারাগুৱা গভর্ণমেন্টনা প্রসিদেন্টকী ওপোজিসন কেন্দিদেটশিংবু নাথৈখি, ভোট থাদবা মতমদা দোমেষ্টিক ওবজার্ভরশিংদা মপুং ফানা থবক পাঙথোকহনখিদে অমসুং দেমোক্রেটিক থৌওংশিং চন্নহন্দনবা অতৈ এক্সনশিং লৌখৎখি।

মীখলগী ফল অদুগা মরী লৈননা লেটিন অমেরিকাদা রিএক্সনশিং ইয়ান য়ান্নখি।

ক্যুবা, ভেনেজুয়েলা অমসুং এল সালভেদরগুম্বা লেফটিষ্ট মীচংশিং অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াগা লোয়ননা মেক্সিকো গভর্ণমেন্টনসু ওর্টেগানা মীখলদা চাউনা মায় পাকখিবদা হরাউ-তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক য়ুম্লোন্নবা কোষ্টা রিকাগী প্রসিদেন্ট লুই গুইনের্মো সোলিজনা ইন্টরনেসনেল ওবজার্ভরশিং অমসুং অশেংবা ওপোজিসন ৱাৎখিবগী ফীভমদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

ওর্টেগাগী ওপোনেন্টশিংনা নিকারাগুৱানশিংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী ভোট অদু বোইকোট তৌনবা তকশিনখিবগা লোয়ননা মীপুং খুদিংমক্না ভোটকী ফলদা মিৎয়েং থম্নখি।

ইলেক্টোরেল ওফিসলশিংনা হায়খি, ভোটর চাদা ৬৮.২ না বেলোটশিং থাদনখি। ওপোজিসন্নদি য়াম্না তোঙানবা এষ্টিমেট অমা পীদুনা চাদা ৩০ খক্না মীখলদুদা থাঙ্গৈশেংনা শরুক য়াখি।

‘ঐখোয়না মসিগী ফাগিগী লীলাগী রিজল্টশিং মশক খঙদে’ হায়না ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদগী অমগী মকোক ভাইঅলেটা গ্রানেরানা ভোটকী অরোইবা ফলশিং চপ চানা লাউথোক্ত্রি ঙৈদা পাউমীশিংদা হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অমসুং ইলেক্টোরেল ওফিসলশিংনা ভোট অদুবু দিমোক্রেসিদা খ্বাইদগী চাউবা এক্সরসাইজনি হায়খি। মখোয়না রুরেল পোলিং ষ্টেসন অমা মৈ থাখিবা নত্তনা মীখল অদু ঈংনা-চিক্না পাঙথোকখি হায়না ফোঙদোকখি।



HL-B/3401/20/10-19/11

**Reserve Bank of India**
**Mumbai**
**Notice**
(published as advertisement)

Government of India have cancelled the Legal Tender status of Rs. 500 and Rs 1,000 denominations of banknotes of the existing Series issued by the Reserve Bank till 8th November 2016.

This is necessitated to tackle counterfeiting Indian banknotes, to effectively nullify black money hoarded in cash and curb funding of terrorism with fake notes.

Starting from 10th November 2016, members of public/corporates, business firms, societies, trusts etc holding these notes can tender them at any office of the Reserve Bank or any bank branch and obtain value thereof by credit into their respective bank accounts.

For their immediate cash needs, these notes of value upto Rs 4,000 per person can be exchanged for cash over the counter of these bank branches.

Public are advised to present a valid proof of identity for availing this exchange facility.

Value credited to their bank accounts can be freely used by issue of cheques or by remitting through various electronic modes of transfer like NEFT, RTGS, IMPS, mobile banking, internet banking etc. Cash withdrawals from bank accounts, over the bank counters, will be restricted to a limited amount of Rs 10,000 per week.

All ATMs and other cash machines will remain shut on 9th November 2016 to facilitate recalibration. When ready, they will be reactivated and cash drawals from ATM and other machines will be restricted to Rs 2,000 per day.

For more details members of the public may visit RBI website www.rbi.org.in and Government web site gov.nic.in for further information and details.

davp 15201/13/0124/1617